ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, নবেম্বর ১৩, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২২৮শুবা মশীং

# শুপ্নমগী থবকশিং

## অঙম্বশিংনা তৌবনি, মীয়াম্না উবনি

এসিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী পাক-চাওবা অমসুং মীশিং য়াম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী ফজখ্রবা চৎন-কাঙলোন (কন্সটিট্যুসন) লৈজে। চৎন-কাঙলোনসি মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগা মান্নদবা মওংদা লৈবাকসিবু সেক্যুলর, সোসিএলিষ্ট, দেমোক্রেটিক রিপব্লিক অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা শেম-শাদুনা চৎনহল্লকপনি। অদুবু লৈবাকসিগী লৈজরিবা ফজখ্রবা চৎন-কাঙলোনশিং অসিবু হেক-হেক নাথৈবা, খোঙ্গাওনবা অমসুং মসিগী মায়োক্তা অনীংবা-অপাম্বশিং তৌনরকপগী থৌদোক্তি পাক-চাওখ্রবা লৈবাকসিগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংবগী মচি-মচিদা থোকই। থৌদোকশিংসি চহী কয়াগী মমাঙদগী থোরকপা হৌরকখ্রবনি। হৌজিক লৈবাকসিনা নীংতম্লবা মতুং চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবগী মতুংসিদসু অদুম্মক থোক্লিবনি। লৈবাকসিনা ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তা বৃটিশকী মখূৎতগী নীংতম্বা ফংলবা মতুং জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দগী মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইজরক্তুনা লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা কন্সটিট্যুসনগী থৱায় হাপখিবা নুমিৎপু ‘কন্সটিট্যুসন দে’ হায়দুনা ফাওবা নীংশিংদুনা থৌরম পাঙথোরক্লগসু মসিগী চৎনরোলশিং ঙাক্তুবা, ইন্দবা অমসুং মসিগী ৱাংমদা খোঙ থাংলকপগী থৌদৌদি অদুম্মক থোক্লিবনি। অদুবু অসিগুম্বা তৌহৈদবা অমসুং তৌরোইদবা থৌদোকশিং অসিদি পৱার খূৎশিন্নদুনা পায়বা অঙম্বশিংতনা তৌই। মখোয়না অনীংবা অপাম্বশিং তৌরকপদা কন্সটিট্যুসন অমসুং লোগী লামায়শিং খুমজিনখিবদৌনা তৌই। মমিৎ-মনা উইশিন্দুনা শোৎ-প্রেক লাওদনা অয়ম্বদৌনা লৈখিবদৌনসু তৌই। মসি পূন্নমক লোবু মখোঙ পান্দুনা চৎহনগদবা অঙম্বশিংনা অপাম-অপাম্বা তৌনরকপদগীনি। হায়রিবা থৌদোকশিংসি লৈবাকসিগী মফম অয়াম্বদা হেক-হেক থোকই।

অদুবু পাক-চাওখ্রবা লৈবাকসিগী মফম অয়াম্বদা থোক্লিবা থৌদোকশিংদু লোইনমক কোৎশিন্দুনা লামশিল্লুদ্রবসু পীকখ্রবা মণিপুরদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংগী মনুংদগী কুমজা ২০১৭কী মার্চতা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল মতুংদগীনা হৌজিক ফাওবদা লেপ্তুনা থোরক্লিবশিং অসি মশীং থিজিল্লুবদা ওন্থোক্না য়ামখ্রে। পাঙথোকখ্রিবা মীখলদুগী রিজল্ট লাউথোরক্লবা মতুংদা মীয়ামগী পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি অমা লিংনবা হোৎনরকপদগী অদুম্মক হৌরকখি। অপূনবা সিট ৬০ লৈরিবা ষ্টেটসিদা এম এল এ ২৮ মায় পাক্তুনা মশীং খ্বাইদগী য়াম্না কারকখিবা পোলিটিকেল পার্টিদা লৈঙাক শেমহন্নবগী ফোর্মেল ইনভাইটেসন তৌবগী মহুত্তা এম এল এ ২১ খক কাবা অনীশুবদা লৈখিবা পার্টি অমদা লৈঙাক শেমহনখি। এম এল এ মশীং য়াম্না কাবা পার্টিনা লৈঙাক শেমজনবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়বা ৱাফম কন্সটিট্যুসনবু খূৎপায়নরিবা অঙম্বশিংগী মনাদা হাপখিদে, মৱা লৌবিখিদে। থৌওংসি লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসনন‌া পীবা, চৎলু হায়বা অচুম্বা লিক্লম নত্তে। থৌওংসিদি শুপ্নমগী থৌওং-কৈদানি। সিঙ্গল লার্জেষ্ট ওইখিবা পার্টিদুদা হান্না খুদোংচাবা পীরগা মহাক্না এসেমব্লিগী ফ্লোরদা মেজোরিটি কম্মান্দ তৌবা ঙমদ্রগনা অনীশুবা সিঙ্গল লার্জেষ্ট ওইখিবা পার্টিদুদা প্রিফরেন্স অমুক পীগদবনি। মসিদি দেমোক্রেসিগী অমসুং কন্সটিট্যুসনগী চৎফম থোকপা মচৎনি, তৌফম থোকপনি। অদুবু মসি পূন্নমক তৌখিদে। শুপ্নমদা অঙম্বশিংনা অনীংবা অপাম্বশিং তৌখি। মরম অসিনা খূৎলামখাংদা শুপ্নমনা হৌখিবনা হৌজিক মপুন্সি লোইশিল্লক্লবা ১১শুবা এসেমব্লি অসিদা শুপ্নমগী থবক থৌওং কয়া লেপ্তুনা চত্থরকখি। পার্টি অমদগী অমদা চোঙশিল্লি, এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌথোক্লে, পার্টি অমগী এম এল এনা অতোপ্পা পার্টি অমনা লুচিংবা লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইশিনবা য়াওখি। মসিগীদমক মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কন্সটিট্যুসনগী টেন্থ্ সেদ্যুলগী মখাদা লিংলিবা ত্রাইব্যুনেলদা ৱাকৎপদা চহী কয়া অমা চঙখি। য়াদ-য়ারক্ত্রুবা মতমদতা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌখি। হৌজিকসু লেপত্রি, মথংগী অনৌবা মীখল পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লকপসিদা পার্টি অমগী এম এল এশিং ফমসিদগী রিজাইন তৌনদনা অতোপ্পা পার্টিদা চোঙশিন্নবগী থবক লেপ্তুনা চত্থনরক্লি। টেন্থ্-সেদ্যুলগী ত্রাইব্যুনেলনসু কমপ্লেন্ট তৌরদে, ৱাকৎলক্তে হায়দুনা হৌদোংনা ঙা চারি, য়েংলি হায়বগী ফীভমদা চগৌ য়েংদুনা লৈরি। পার্টি অমদগী অমদা এম এল এ য়াওনা চোঙথোক-চোঙশিন তৌরকপা হৌনবনি, মীখল ময়াগীনি, তৌসনু। অদুবু এম এল এশিংগীদি টেন্থ্ সেদ্যুলগী পাদম অমা লৈরি খঙহল্লু, ঙাক্না চৎহল্লু হায়বনি। য়েংদুনা লৈথোকপসু শুপ্নমগী থবক কৌগনি। অঙম্বশিংনা তৌবশিং মীয়াম্নসু শিৎ-নান্না খঙই হায়বনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৯**

১) ‘‘*থাপ্নরিবা*’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **‘‘মপারি লৈরাংতোন্দা শাৎপা শিংলেনতোন্দা পোকপা উনৌ কোন্দেল্ কোন্না হুন্ শলেন্ লাইফাও থিনবা, খোইয়ম লাইপোক শংশংবা চেংলৌ শক্না হেনবা, পুনুং লিন্না ঙানবা, খোইয়ম লাইবু নীংবগী কোলোই মমিংথোংদি বৃষকেতু তৌনা কৌএ। বৃষকেতু ভক্ত ৱারী লমদাংশাংবু হয়া লাওনা শৈথিরক্লে।’’** ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোকপনো?

৩) বৃন্দাবনলাল বর্মাগী **‘‘মৃগনয়নী’’** হায়বা উপন্যাষ অসি মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ‘‘*সীতা বনবাস*’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ‘‘***মহাভারতকী শকুনি অমসুং শকুনিগী ৱাশক***’’ হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কান্নবা পঙনোক্তা নোকপা!

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

কমেদিয়াননি হায়দুনসু শুমাং লীলাদা, ফিল্মদা ফাগি তৌবদা ভাবোক্না নোকপীদবা য়াম্না য়াওই। মানদি থম্মোয় শেংনা লৈজবা মরৌশিং মহৈ পুথোক্তুনা ঙাঙ-শকই, মমিৎ-মনা কূপই, শাথেক, শাজৎ কয়া কয়া তৌই। নুপী অঙাংশিং, পাখংমচা, মৌ নহা, লৈশাবীশিং, নহা অহলশিং নোকউ হায়বা ইয়া য়াদবা লৈ। খোঙ শাংনা তিংথোক্লগা কপকদৌদা ঙায় হায়বদুনি।

ওইনাম বাবুনা, তখেল্লম্বম চাউবনা, ময়াং ইম্ফাল তোম্বীনা, কৈরাও নবদ্বিপনা, ইতুখোম্বীনা, খুরাইগী মংলেম্না, খুরাইগী জোইনা ফাগি তৌথোরকপদা নোক্লিংখিবা কাউদ্রি, মরাশি লৈ। খজিক্তুংদা হেক্তা নোক্লিংই। শুমাং লীলাদা ধনবীর, শৌগ্রাকপম হেমন্ত (ওজা তোলহন), কুঞ্জরাজনা তৌথোরকপদা পূক্লি পায়বমখৈ হেক্তা নোকই। ফিল্মদা বোনি শর্ম্মা, ওলেন, ইবোমচা (কবোকলৈ ইনাওচা) অসিনা হেক ঙাঙথোরকপা তৌথোরকপা খুদিংদা থৱায় তানা হেক্তা নোকহল্লি। থম্মোয়দগী নোক্তা হেক নোক্লিংহল্লি। খূবাক খূনীংহল্লি। পি তাখৈ নোক্লিংহল্লি। মসিদি মখোয়গী হৈজবা, কলাগী মগুণ অদুনা ঐখোয়বু নোকহনবনি। মী অমনা পাক্না ঙম্বা নত্তে। ফাগি তৌবদা মীনা নোক্ত্রবদি লাইবক থীবনি হায়বা নত্তনা করিসু হায়নীংঙাই লৈজদে। ফাগি তৌরিবনি হায়দনা য়াম্না পক্তে, রাশি য়াওদে হায়দনা ভাবকশিংনা ঙাঙনবদু তাবদা লাইমন হৌই। ফাগি তৌরগে হায়না থোকচরক্লগা পক্তে মীচৈ চারগা তোকপা কয়ানি। অমা ঙাঙই নোক্তে, অমুক শুগৎলি নোকপীদে, অমুক ফন ফন চোঙই নোক্তে, অমুক কেরপ তৌরদুনা ঙাঙই শেৎ ফাও লাউদে ভাবক মরক্তগী! কয়াদা লাইবক থীবা মতৌনো?

অদুবু মরাইবক ফবা মীসু লৈ। মীটিং মফমদা ৱা ঙাঙবদা। মানা ফাগি ইতৌমক তৌদ্রবসু অতাবশিংনা নোক্কে হায়দনা ময়া কাদুনা লৈরবা মরাইবক ফরবা নুপা নুপী সার, মেদাম ময়াম অমা। মখোয়নবু ৱা ঙাঙলবদি জি সী তোংব্রাগী, এলাংবম দীনমনিগী, মোইরাংথেম ইনাওগী ফাগি লীলাদগী হেন্না নোকচরগে হায়না মী কয়ানা ঙাইদুনা লৈরবা ৱাঙাঙমী কয়া অমা লৈরে। মীখল ময়া মতম য়ৌরকপদা লৈহাউ ফগদবা ৱাঙাঙমী! কনাগী চাউবা, তোম্বী, বাবু, ধনবীর, তোলহনদগী হেন্না নুংঙাইনা ৱা ৱা নোকপা অদুগুম্বা ৱাঙাঙমী! কয়াদা মরাইবক ফখ্রিবা! আর্টিষ্ট কয়া কয়ানা ৱা ঙাঙবা, এক্টিং তৌবদা নোক্লনবা হোৎনজবদা নোকহনবা ঙমদ্রবা মতমসিদা মখোয় মী খরনা ৱা ঙাঙবদদি মীয়াম ভাবক অসিনা নোক্কদৌবগী রেদিদা লৈরবা!

নোক্কদৌবগী, খূবাক খূগদৌবগী ময়া কাথোক্লদুনা, মনা থাঙ্গৎনদুনা লৈরবা হে ৱাঙাঙমী অথোইবা, কয়াদা নরাইবক থম্বাল শাৎখ্রবা! তাইবঙমী অমা ওইনা পোকপগী মহয় য়াল্লবা মীথোইবা! মীহেনবা! নখোয়নবু ৱা ঙাঙলবদি ঐ চাক চায় হায়রসু ময়াম ৱা লাউনা হেক্তা নোকই, ঐ ঙসিদি লম্বীদা গাড়ী য়ারক্তদুনা খজিক্তুং থেংদোকখ্রে হায়বদা অতাবা ময়াম খূবাক প্রোক প্রোক হেক্তা খূনৈ। ৱা লাউনা হেক্তা নোকই মীয়াম অদু। সিবু লাইবক ফত্তে কনানা হায়দৌরিনো? হন্দক নোংমা নীনি অসি ঈংশিল্লক্লে, নীংথমথা চঙল মাল্লে হায়বসিসু নখোয়নবু হায়বনেদি অতাবা কাঙবুনা হোল পোকখায়দৌখৈ হেক্তা নোকই। নোকপদবু খূৎ হৎতুনা নোকপা খরা ফাধনবা ইঙ্গিৎ তৌই। মখোয়না ৱা ঙাঙবদা খূৎ খজিক্তুং থাঙ্গৎলগনা নোকউ হায়বদৌনা তৌবা, খূবাক খূবসু মখোয়না খূহনবদৌনা তৌবা হেক মানবা য়াওনরে।

ঐসু নহানদি অসুম্বা ৱা অমা তাবা চৎচরুই। মীখলগা মরী লৈননা চৎচবনি। ফনয়াম্না নোক্লম্মী। ফনা য়াম্না খূবাক খূথরম্মে। ঐনা খঙদবীদা ঐখোয় লৈকায় লম্বী শেল্লম্মে, ঐনা মীৎনা উদ্রসু ঐখোয় লৈকায় য়াম্না শেমগৎলম্মে। ঐখোয় লৈকায় য়াম্না নুংঙাইরম্মে, ঐনা খঙদবনা ওই লৈরম্মে। ফনা য়াম্না নোক্লম্মে, নোকশল্লম্বা নৎচদে, ফনা য়াম্না খূবাক খূথরল্লে। ঐখোয়না ফজবা ফাগি অমা তৌবদা মীনা নোকপীদ্রবসু, মখোয়না ঐ লৈবাক্কী থবক তৌখিনি হায়বগীসু অদুম হেক্তা ঐনা নোক্লম্মে, খূবাক খূজরম্মে। ঐ য়াম্না নোকখ্রে ঙসিদি। ময়ামসু হেক্তা পঙনোক্তা নোকখ্রে। ৱা ঙাঙলিবা মহাকসু পঙনোক্তা নোকখ্রে। মসিনি মরাইবক থম্বাল শাৎপা হায়বদো, মরাইবক্তা নত্তে মথবাক্তসু শম্বাল শাৎলবজাৎনি।

অচৌ অশাং য়াইতোঙ খমদোঙবনবু ঙাঙলবদি মখোয়না কান্নবা পীবা ঙমগদবনিনা ঐখোয়দি খূবাক্তা পঙখুদা খূনীংখ্রে। পঙনোক্তা নোকচনীংখ্রে। নোকপা হায়বসে মরম চারসু চাদ্রসু পঙনোক্তা নোকপা য়াবা পোৎ ওইদুনা লৈরম্মী। মসি ঐদি হান্না খঙলমদে, অদুবু নোংমা নোংমগী খঙবা অসুম হেঞ্জিল্লক্লি। অসুক য়াম্না নোক্লিংলকপা, নোকপা ঐগী পুন্সিদা অমুক্তা থেংনজদ্রি - হা হা হা! ●



# লৈঙাক মরায় চায়থরকপা

**নবকুমার ওইনা**

লৈঙাক্লোন হায়বসি ঐখোয় ইশাগী লোল ওইজরবসু লৈঙাক অদুমক্তি ইশাগী নত্তবা হেন্নবু ফবা অমা ওইরবনি। ইশানা তৌজবনি খনবদগী ইশাগী লৈঙাক্লি খঞ্জবসু য়াওরি। লৈঙাক্লোন অমগী অফ-ফত্ত, মনীং-মমাঙ মমুৎ তানা নৈনহৌবা হায়বদুমদি ওইখিদে হায়বগী ৱাথোক ওইনরি। মমিংদি অদুম দেমোক্রেসি কৌরবসু লোইলম অমগুম লৌনবসু য়াওনরি। হায়বদি ঐখোয়গী হায়বদু ইনিং তম্না খঞ্জবা ঙমদ্রি হায়বনি। মীনা হায়বা ইনবা মানবা অমগা ইশাগী ওইবা অমগা হেক হেক মুক্লবগুম তৌরি। মসিমক মপূং ফারবা লৈঙাক অমা লৈরবগী ওইদরি।

ইশামক্তি পোলিটিকেল সাইন্স তম্লকপা নত্তে, অদুবু ইশাদি পোলিটিকেল অমব্রেল্লা অমগী মখাদা লৈরি। উরিবা, তারিবা খরসি পাউ ওইনা লৌরগা লমদম অসিগী অশেংবা লৈঙাকলোনগী শক্তম খঙবা ঙম্লব্রা হায়বা ইশানা খঙজদ্রি। থেংনরিবা, উরিবা খরদি নৈনরগা করি থৌদাং লৌবা তারি? মী অমা ওইবগী পঙহিং হিংবনা পেন্নরক্তে, ভোট ফাওবা লেপ্পরক্লি। ভোট লেপ্পশিং লৈঙাক শেম্বা য়াওরগা লোইরব্রা? উচেক মপিনা তীল-কাং ফারগা মচাশিংদা পীবদুনা লৈঙাক অমা মপূং ফারবনি হায়বা য়ারগদ্রা? ৱেলফ্যের লৈরগা লৈঙাক্তু মপূং ফারবনি হায়বা চুম্লব্রা? মপূং ফাবা লৈঙাক হায়বসি করি ওইবা তারি।

হীরম অসিদা মপূং ফানা খঙবা হায়বসি অরায়বা ৱাফম ওইদে খল্লি। লমদম অমা, লৈবাক অমা হায়বসি মসি খঙদবশিংনা খুল্লিংদুনা শেম্বদি ওইথোক্তবা অমা ওইরক্লি। চাওয়েং য়েংবা তারবসু ইহো হোবা কুপশিনবা য়েংবা হৈবা মীনা য়েংলগনা হোত্রোং হোবা হায়বদু তাগদৌরি। লৈঙাক পায়রিবশিংনা তৌরিবা থবক, লৌরিবা থৌদাং খরসিনা মপূং ফাবা লৈঙাক অমা ওইরক্তুনা তিং-তিং লাওবা খুন্নাই অমগী লৈবাক অমা ওইরক্কনি হায়বা থাজনবা লৈরদ্রা?

মালেমসি মচি খুদিং তং তাদবা ৱাথোক কয়া মশীং খঙদনা থোক্লি, খৎনরি-হাৎনরি। মসিদি লৈঙাকলোনগী ওইরক্তে, মীওইবগী ৱাখলগী থাক অমা উখোক্লরকপনি। ৱাখল-লৌশিংগী থাক অমা য়াওদনা লৈঙাক্কী থাক অমা কাখৎপা ঙম্বা হৌনদে। মীওইবগী ৱাখল লৌশিংগী থাক অদুগী মতুংইন্না লৈঙাক অমগী মরায়বক লেপ্পলকপা তাবনি। লৈঙাক্তা য়াওরিবা খরগী হৈ-শিংবনা লৈঙাক্কী মরায়বক লেপ্পা নত্তে, মানবগী ৱাতনি। মীয়ামদু য়ানবা চৎপা নৎত্রগা হুমদুনা পুবা ঙম্লগা অফবা লুচিংবনি হায়বসি লাল্লিবনি। মীয়ামদুনা অফবা লুচিংবা খনবা ঙম্লবা মতমদদি অশেংবা শক্তম অমগী মমি তারকপা হৌগদৌরিবনি। পুকচেল শেংদবা মীবু লৈঙাক্না পুকচেল শেংহনবা ঙম্বা হৌনদে, পুকচেল শেংবা মীয়াম্না পুকচেল শেংবা লুচিংবা খনবদি ঙমগনি। লৈঙাক অমনা মীপূম খুদিং পুকচেল শেংহনবদি ঙমদে। অদুমকপু মপুকচেল শেংদবশিংগী চঙজফম পীদবা, চৈরাক ওইনা পীবা ঙম্বা লৈঙাক ওইবা অমসুং মপুকচেল শেংনবা মরৌশিং পীনবা মহৈ-মশীন তম্বীবগী তঙাইফদবদি লৈ। মদু পূম্নমক লৈঙাক্কী মথৌনি হায়বসু লানগদৌরি। চৎনরিবা লৈঙাক্কী কাঙলোনসি ফোর দি পিপল বাই দি পিপল হায়বনি, ঐ নঙগী ফোরদা লেপ্লি হায়বদু নত্তে। অমনা ঙসিগী মীয়াম অসিনা লৈঙাক-কাঙলোনসি খঙলবনি হায়বসি য়ানখিরোই। অদুদি করম্না লৈঙাক অমা শেম্বা ঙম্লিবা। মসিমকসি অঙকপা অমা ওইরিবনি। ভোট অমা তৌরগা লৈঙাক অমা শেম্লগা লোইরে হায়বসি লোজিকেল্লি চুম্লবসু পোলিটিকেল্লি লাল্লকই, ফিলোসোফি য়াওরক্ত্রে। মমৈদদি মীওইবগী সিভিলাইজেসন অদুগী ৱাংমদা চৎখিবগী অকিবা লাক্লি। বোম, টোপ, টেঙ্ক, মিসাইল ময়ামসি লৈঙাক শেম্বদা শীজিন্নবা হৌরক্লি। শেল য়েল্লগা ভোট কাবা য়াই হায়বসি পোলিটিক্স নত্তে, পোলিটিকেল থিওরিদা লানবসু নত্তে, মীওইবগী কোক্তা য়াওদবগীনি।

লমদম অসিনা মালেমগী থাক্তা কাখৎতুনা লৈঙাক্লোনগী অরুবা তাঙ্কক কয়াদা য়াওরুবসু ঙম্বা নৎত্রি। ইশাগী ফীভম করিদা লৈরিবনো হায়বসু কাঙলূপশিং পুল্লগা খঙমিন্নবা মান্দ্রি। লৈঙাক্লোয় খরদনা থৱায় য়াওবা শারগা ঙাঙনবসিনা অরোইবা ওইবসু য়ারোইদৌরি। মীওই অমা অনীনা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স য়াওরুরগা মীয়ামগী থাক চিংখৎপা ঙম্বা নৎত্রি, মীয়াম হুপ্না নৈনবা, তমশিনবা অমা চঙলি। স্কুল, কোলেজ খরদা তম্লিবা অসিনা ওইবা য়াদ্রি। স্কুল, কোলেজগী লৌশিং কয়া মীয়ামগী ইমুং মনুংদা য়ৌবা ঙমদরি। নাৎকী চৎনবী কয়ানা অপঙবগী লাংদগী নান্থোকপা ঙমহন্দবগী লায়না লৈরি। ইশম শম্না নুমিৎ-থাবু লাইনি অদুম হায়রি, থাজহল্লি। লাইরিক খুতম্বী অদুমক্না লৈঙাক্তসু মমি তাশিল্লক্লি। ৱাশকহল্লগা ভোট পীদবা য়াদে হায়বসু য়াওরি, ৱাশক্লবা মিনিষ্টরনা শেরান-তুরান তৌবা য়াওরল্লি। কনাসু থাজনদে, থাজবা ঙম্নদে। থাজনদবশিংগী লৈঙাক্তা কনানা থাজ গদৌরিবা। লৈবাক ঙাকপদা লাইগা ইতোৎ তোৎশিন্নরি, অদুগা লৈঙাক অসিদি লমদম অসিগী পুৱারীগা শম্নদে, ভোট হায়বসিদা নাৎ অমত্তগা শমজিন্নদবা হোৎনগদৌবনি। শেল খরা ফংলগা ভোট পীরদৌবনি হায়বসি নুংঙাইবা অমরা। মশাগী খন্নরিবা ময়ামসিগী মরক্তা ফুরুপকী খনবা ঙমজদবসু য়াওরল্লি। মদুমক্না কনাগুম্বা খরনা হুম্লগা পুবা মাল্লক্লি। লাইনীংগী মীংদা লৈঙাক্তা ঙাশিনবদি লাল্লি, লাই নীংবসিসু পঙশিন্নবা নীংনবা নত্তে খল্লি, থবক ঙম্নবনি। থবক শুদবশিংদি লাই নীংবা কৌদে, থবক শুদবশিংগী লৈবাক হিংবা ঙম্লোইদ্রিবনি। থবক শুদবশিংগী লৈঙাক হায়বা অমা লৈরক্তে, মদুমক লমদম অসিদা থোক্লব্রা হায়বা য়েংশিনবা তারক্লি।

দেমোক্রেসিবু এরিষ্টোক্রেসিনা নমহৎলগা চৎলব্রা হায়বগী ৱাহং লৈরিবা লৈবাকসিদা দেমোক্রেসিগী শক্তম ময়েক শেংবা ৱাখিবা তাবনি। পোলিটিকেল সাইকল অমা লৈবদি উরে হায়গনি, মদুমকসু ইকোনোমি সাইকল অমগী মশক ওইনা উরি। পোলিটিক্স হায়বসি ইকোনোমি সাইকলগী এক্সরসাইজ ওইনা লৌবা মাল্লক্লি, করিগুম্বদনা দিফেন্স অমসুং পৱার শাগৎপা ওইনা লৌবা মাল্লকপসু য়াওরি। হৌজিক-হৌজিক অয়ূক নুমিদাং উরিবসিদি লৈঙাক্কী ইলেক্সনগী লান ওইনা উরি। মসিবু পোলিটিকেল সাইকলগী মনুং চল্লি হায়বদি হায়মনবা তাগনি। পোলিটিকেল নোর্মস অদু ওশিলেট তৌবা ঙমদ্রবদি লৈঙাক অদুদি মরায় চায়থরকপনি হায়গনি।

পোলিটিকেল সাইকলগী মনুংদা লালহৌ কয়া থোকপা য়াই। লমদম অসিগীদি লালহৌ অমত্তা শিংথানবা য়ানা মায় পাকপা লৈখিদ্রি। য়ূমদগী মীতোপ তান্থোকপদি লালহৌ চিংদে। থুম-থাও, চেঙ-হৱাইগী ৱাথোক্না লালহৌ কৌবা য়াদে। ঙসি ফাওবা মালেমগী লালহৌ কয়াগী ৱারী ময়ামসিগা নকশিন্নবা ঙম্বা লালহৌ য়াওদ্রি হায়গনি। মসি পূম্নমক মীওই খরগী অশোনবা নৎত্রগা অশোয়বা ওইনা লৌবা য়াদে, মীয়ামদা পোলিটিকেল সাইকলগী ইনফ্লুয়েন্স লৈতবগীনি হায়বনা চুনগনি। মদুসু পোলিটিকেল ৱার্কর খরনা পুরকপা ঙমগদৌবা নত্তে। সি এস ও খরনা হেক্তা পুরকপা ঙম্লগনি হায়বসু লৈতে। রেভল্যুসন অমা চঙই।

কনাগীসু মরাল লৈতে হায়বগী ৱাতনি, নকশিল্লুরিবা মীওইশিংগী মরালদি লৈফম থোকই, খঙজদবা মীয়াম অমগীদি মরাল লৈতে হায়বতনি, পূম্নমক নল্লিবদি মীয়ামদনি। মরায় চায়থরবা লৈঙাক অমনা মুৎখ্রবদা মীয়াম অদুনা হিংলিবনি খল্লগা পোজ তৌরিবসি লৈবাক কয়ানা ঙকপা পোক্লমগনি। লৈঙাক মরায় চায়থবদা খুন্নাইসু য়াওখিগনি। ●